www.sanaleibak.in

# SANALEIBAK সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 14,900 | 22 Carat/g : ₹ 14,215 | 1 Kg Silver : ₹ 2,50,000 | 10 Gram Silver : ₹ 2,450 | WEATHER: Thundershower | Temperature 27/20°C | Sunrise: 05:01 AM | Sunset : 05:17 PM | Petrol : ₹ 106.87 | Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Nill | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 277 | IMPHAL, THURSDAY, SEPTEMBER 17, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪-২৫ | শগোলশেল, লাংবনগী ৬ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## কঞ্জ্যুমরশিংনা ঙাকপিগনিঃ এম রবি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ মতম খরা রোটেসনেল ওইনা মৈ মুখৎপগী ফীভমদা লৈরে। খুদোং চাদবশিং অসিগীদমক এম এস পি দি সি এলগী কঞ্জ্যুমরশিংনা ঙাকপিগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিবুইসন কম্পনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সি এল) গী মেনেজিং দাইরেক্টর এম রবিনা ...মখা লমায় ৫দা...

## সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)না শীন্দুনা কম্মর্সিয়েল কোর্টস এক্ট, ২০১৫গী মতাংদা এদভোকেট মেদিএটরশিং গী নোংমগী ওইবা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা মণিপুর হায় কোর্টকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। ...মখা লমায় ৫দা...

## উচিৱাদা অশিবা হকচাং অমা ফংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তারকপা অদুৱাইদা ইম্ফাল তুরেল মরিলগী ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা উচিৱা নাস্তো মপাদা অশিবা হকচাং অমা তুরেলদা তাওথরকপদগী ফংখ্রে। মনাক নকপদা লৈবা মীয়াম্না অশিবা হকচাং অদু ...মখা লমায় ৫দা...

## পাউচে পুথোকচরোই

ঙসি সেপ্টেম্বর ১৭ অসি বিশ্বকর্ম। পিশাতাওগী ইরাৎ থৌনিগী থৌরম নুমিৎ প্রেস ছুটি ওইবনা হয়েং সেপ্টেম্বর ১৮ দা পাউচে অসি পুথোকচরোই। – মেনেজর

### মণিপুরগী চীংগী মফমশিংদা ইরাং থোকপগী চাং হেনগৎলক্লি

# কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী নাগা তাবা চৱাংকিনিং খুলদা অহিং চুপ্পা লান্দারকখ্রে, য়ুম কয়া মৈ থারস্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী চীংগী লমশিংদা ইরাং থোকপগী চাং নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। ঙরাং তমেংলোংদা খুৎলায় পায়বশিংনা কুকি ফুরুপকী নুপী ২ হাৎলল্লবা মতুং ঙরাং অহিংদগী ঙসি অয়ুক অঙনবা ফাওবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নাগাশিংনা খুন্দাবা চৱাংকিনিং খুলদা লেপ্তনা এটেক্ট চথরকখ্রে, য়ুম অনী মৈ থারস্লে। পাউ অসি ফংবা মতমদসু অমুক হন্না লান্দারক্তুনা সেক্যুরিটি ফোর্সেসশিংগা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্নবা লেপত্রি হায়রি।





থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৩০ তারকপা অদুৱাইদগী খুল অসিগা থংনবা খোলেন কুকি ভিল্লেজ, সেজাং কুকি ভিল্লেজ অমসুং ৱেষ্ট হাইপি হায়না খঙনবা খুল অহুমসিগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। এটেক্ট অদুদা চৱাংকিনিং খুলদা হান্নদগী লৈরবা সি আর পি এফ পর্সোনেলশিংনা খূৎ হন্দুনা মায়কৈ অনীদা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্লখি। হায়রিবা নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোক অদু অহিং চুপ্পা লেপ্তনা থোকখি। অদুগা ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ৫ তারমদাই অদুৱাইদা লেপখিবনি। ...মখা লমায় ৫দা...

### অমজুগী ৫২শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

# ইরাং অসিনা ষ্টেট অসিগী জি এস টি রিভেন্যুদা লুপা ক্রোর ১২০০ রোম দাউন চৎহল্লেঃ সিএম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ কুমজা ২০২৩দগী হৌদুনা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) রেভিন্যুদা লুপা ক্রোর ১২০০ রোমগী শেনফম দাউন চৎহল্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।



মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখিবা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)গী ৫২শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল থল্লদুনা সি এম খেমচান্দনা হায়, ইরাংনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২৩দগীনা ২০২৬ ফাওবদা মণিপুরগী জি এস টি রেভিন্যুদা লুপা ক্রোর ১২০০ রোম দাউন চৎপনি। ষ্টেটকী শেন্মীৎলোনদা অচৌবা চৈথেং অমা মায়োক্লহল্লে। মরম অদুনা ৱারি শান্নদুনা লোইশিনবা য়াবা হীরমশিং ওইরবদি সি এস ও অমদি মরী লৈনবশিংনা লৈঙাক্কা মতম চানা খন্ন-নৈনবনা চুম্মী। মদু নত্তদুনা হান্না হেক্তা বন্দ ব্লোকেদ তৌশিনবগী চৎনবী অসি থাদোকপনা চুমগনি। বন্দ ব্লোকেদ হায়বসিনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন খক্তা নত্তনা নোংমগী চারা তাল্লিবা মীয়ামদা পীগদবা চৈথেং অদুসু ঐখোয় পূন্না খন্নমিন্নবা চুম্মী হায়খি।

মহাক্না হায়, ষ্টেট অসিগী পাউমীশিংগী য়াইফনবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু অঙন্বা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। ষ্টেট অসিগী ওইনা হান্না মমাঙ ...মখা লমায় ৫দা...

## মোদিগী মপোক নুমিৎ বি জে পিনা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭৬শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা হয়েংদগী হৌদুনা লৈবাক শীনবা থুংনা থাবুম অমা চূপ্প্না পাঙথোক্কদৌরিবা সেৱা সংকল্প অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা মখল মখা কয়াগী থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইরে হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি কে সরতনা ফোঙদোকখ্রে। হীরম অসিগা মরী লৈননা নিতাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা ...মখা লমায় ৫দা...

## ফিশা লোনশা চাউখৎনবা হোৎনগনিঃ ইবোমচা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ লম্লাই এ সিগী এম এল খোংবান্তাবম ইবোমচা মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চেয়রমেনগী ফম অমুক হন্না পায়বা হৌখ্রে। মণিপুরগী চাউথোক্লিং ঙাই ওইবতা নত্তনা নুপীশিংগী শেন্মীৎলোন ওইরিবা ফিশা লোনশাগী থবক হেন্না খুমাঙ চাউশিন্নবা হোৎনগনি হায়না লম্লাই এ সিগী এম এল এ কে ঐচ ইবোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

মাহুদকী চেয়রমেন এম এল এ ইবোমচাবু ফিশা ...মখা লমায় ৫দা...

## 'তঙদু লৈতাবা, চাওখৎপা মণিপুর অমগীদমক পূন্না থৌনিমিন্নসি'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুরবু ইং তপ্পা তঙদু লৈতাবা অমসুং চাওখৎপা লমদম অমা ওইরক্নবা পূন্নমক্না থৌনিমিন্নসি হায়না মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ফোঙদোকখ্রে।



শ্রীশ্রী গনেশ পূজা সেলেব্রেসন কম্মিটি, মণিপুরনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা ঙরাংদগী হৌরগা থাংজ নুমিৎ ফাওবা নুমিৎ ৫নি চুপ্পা চথগদবা গনেশ চটুর্থি পূজাগা মরী লৈননা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা হায়, ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা ফজরবা মণিপুরগী চীং পাৎ তুরেল কয়া অসিবু কন্নবা হোৎনমিন্নসি। ঙসি ঐখোয়না হোৎনরিবা অসি তুংগী মীরোলগীদমক্তনি। মতম পূন্নমক্তা গনেশ ঈশ্বরনা ইংনা তপ্পা শান্তি লৈবা পীনবীবা ওইসনু।

ঈশ্বর নীংবগা মালেমগী অইং অশাগী খল ঙাকপগা তুনা চৎমিন্নবা য়াই। ঈশ্বর নীংলিবা অমসুং পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মহৌশাগী ...মখা লমায় ৫দা...

## পোলিটিকেল পার্টিশিংনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা লানগনিঃ ১৪ সি এস ও

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ পোলিটিকেল পার্টিশিংনা এন আর সি অপদেটকী মতাংদা খূদোং চাবা লৌনবা হোৎনবা হায়বসি লানগনি। পোলিটিকেল দাইভর্জন অমদি ভোট পোলিটিক্স ৱাখল্লোল থাদোক্তুনা কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌনবা হোৎনবদা ওইনা মায় ওনশিন্দুনা পূন্না চঙশিনমিন্নসি হায়না ১৪ সি এস ও কংলৈপাক অমদি চৎমিন্নরিবা লুপশিংনা ...মখা লমায় ৫দা...

## মণিপুরনা বেষ্ট পার্ফোমিং ষ্টেট এৱার্দ ফংলকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ হিল্লি এন্দ নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংগী মনুংদা ইন্দিয়া ইলেক্ট্রিক মোবিলিটি ইন্দেক্স (আই ই এম আই) ২০২৫ গী ওইনা মণিপুরনা বেষ্ট পার্ফোমিং ষ্টেটকী এৱার্দ ফংলকখ্রে।

ইন্দিয়া ইলেক্ট্রিক মোবিলিটি ইন্দেক্স ২০২৫ অসি নিটি আয়োগনা ইস্যু তৌবনি। এৱার্দ অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনদি দিল্লিনা টোপ লিষ্ট লৈ। অদুগা মথংশিংনা মহারাষ্ট্র, কার্নাটকা অমদি চান্দিগড়না ...মখা লমায় ৫দা...



# এন আর সি তৌদ্রিবা ফাওবা মীখল পাঙথোক্তনবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ৱারেপ লৌগদবনিঃ হাওমী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ

লমদম অসিদা এন আর সি তৌদ্রিবা ফাওবা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্তনবা পোলিটিকেল পার্টি খূদিংমক্তা ৱারেপ লৌগদবনি হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমীনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি হীরম অসিগী মতাংদা দ্যুইলালেন্দ কবো লৈকাইদা লৈবা লূপ অসিগী লোইশঙদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট সাপমচা জাদুমনিনা হায়, সেন্সস তৌদ্রিঙৈদা এন আর সি তৌনবা হন্দক্তা ফমখিবা এসেমব্লিদা ৱারেপ লৌখ্রবসু থবক্তা ওন্থোরক্কনি হায়বা থাজবা ৱাৎলি।

ৱারেপ অদু থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক লমদম অসিগী মীয়ান্না ইন্দিয়া অমদি ষ্টেট লৈঙাক্তা অকন্নবা প্রেসর অমা পীবা মথৌ তাই। লমদম অসিদা সেন্সস য়েথোক্লিবা অসিসু লাক্তদৌরিবা মীখলগী এজেন্দা অমনি হায়বসি হায়মনবা থোক্লোই। লমদম অসিগী মীয়াম য়াওনা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি খূদিংমক্তা ষ্টেট অসিদা এন আর সি তৌদ্রিবা ফাওবা মীখল পাঙথোক্তবা হায়বা অপুনবা ৱারেপ অমা লৌবা মথৌ তাই। মরমদি এন আর সি তৌদনা ইলেক্সন তৌশিনখিবা তারবদি মীতোপ কয়া অমা য়াওশিনখিদুনা লৈঙাক পায়বা ফাওবা য়াওরক্লোই হায়নিঙাই লৈতে। মসিগী খূদোংচাবা লৌদুনা মীতোপশিংনা লমদম অসিদা অমুক সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ তৌরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মসিদগী কন্নবগীদমক য়েলহৌ ফুরুপ খূদিংমক অমদি পোলিটিকেল পার্টি খূদিংমক্তা এন আর সি পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবা ইলেক্সন তৌবা য়ারোই হায়না পুন্না লেপমিন্নবা মথৌ তাই হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা লূপ অসিগী সেক্রেটরী জেনরেল য়াজিং বিসিসিনা হায়, থা অসিগী ১৪দা বি জে পিগী থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ষ্টেট অসিদা এন আর সি চৎনহন্নবা ৱাফম লমদম অসিগী লূপ অমত্তনা ফোঙদোকখিবা লৈতে। অদুবু বি জে পি লৈঙাক্লা এসেমব্লিদা পুথোক্তুনা এন আর সি চৎনননবা রিজোলুসন লৌখ্রবা মতুং হৌজিক তোঙান তোঙানবা সি এস ওশিংনা এন আর সিগী ইসু অসি পুথোক্তুনা প্রেসর কয়া পীবা হৌবনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু লাইবক থিবনি হায়খি।

# মফম কয়াদা পাক শন্না ঙসি ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো), ওল মণিপুর ৱুমেন'স ভোলুন্টরি এসোসিএসন (এ এম এ দব্লি ও ভি এ), পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পাইবী অপুনবা মণিপুর (পি এল এম পি এ এম), কন্মিটি ওন হ্যুমেন রাইট (কোহর), মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) লূপ ৫ অসিগী মীৎয়েং মখাদা নাওরেম লৈকাই, নোংপোক পান্থোইবী লাইব্রেরী কম্যুনিটি হোলদা শিংজমৈ টু লিলোং য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এস এল য়ু সি ও) শিংজমৈ টু লিলোং মৈরা পাইবী অপুনবা লূপ (এস এল আই এম পি এ এল)না ওর্গনাইজ তৌদুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে হায়রি।

ৱাকৎ মীফম অসিগা মরী লৈননা লূপ ৫গী কনভেনরগী থৌ পুরিবা সঞ্জোয় সোরোকখাইবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ৱাকৎ মীফম নুমিৎ ৪নি শুবা অসিদা ক্যামগৈ মনিং, মমাং, ময়াই, অৱাং, খোইরোম, শান্তিপুর লৈকাই, ককৱা হুইদ্রোম, অশেম, ৱাইখোম, সোরোকখাইবম লৈকাই, শিংজমৈ, ময়েংবম, ওইনাম থিঙেল, লৈশাংথেম, ওক্রম, টোপ লৈকাই, থোঙাম, চিরোম, চোংথাম মথক। মখা, হৈরাঙ্গোইথোং মাইবম লৈকাই, অহোং শাংবম, মাইবম লৈকাই বোকুল মখোং মমাং জগনাথ অচৌবা লৈকাইগী মৈরা পাইবীশিং, অশা ৱার্করশিং অমদি ষ্টেন্ দার্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল, কাঞ্চিপুরগী মহৈরোই অমদি ওজাশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা এস লৈরাংতোন ভাইস চ্যেরমেন কোহর, তেকচম রোজিৎ ভাইস প্রসিদেন্ট এম এস এফ, সিঐচ উশারানি এদভাইজর এ এম এ দব্লিয়ু ও ভি এ, ইমা এস মেমচা প্রসিদেন্ট পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পাইবী অপুনবা মণিপুর, এস সঞ্জোয় প্রসিদেন্ট অমুকো, হাওবিজম লোইদাং প্রসিদেন্ট শিংজমৈ টু লিলোং মৈরা পাইবী অপুনবা লূপ, ওজা এম ইবেচা প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম লৈকাই মৈরাপাইবী, কেএসঐচ মেধা প্রসিদেন্ট ককৱা হুইদ্রোম লৈকাই মৈরা পাইবী, সিঐচ মেঘাচন্দ্রা কনভেনর পিস এন্দ ইন্টিগ্রিটি কন্মিটি ক্যামগৈ, লাইশ্রম কৃষ্ণচন্দ্রা সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন অমুকোনা ৱা ঙাংখি হায়রি।

# জে এফ দি ৱুমেন্স ৱিং টাস্ক ফোর্স শেমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ

খোঙজং হেন্না খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিন্নবা পান্দমদা কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি) গী ৱুমেন্স ৱিং টাস্ক ফোর্স অমা শেমখ্রে।

টাস্ক ফোর্স অসি শেন্বগী মরী লৈননা ৱাংখৈ খুনৌ সোইবম লৈকাইদা লৈবা সিটিজেন্স ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা টাস্ক ফোর্স অসিগী কনভেনর শৌগ্রাকপম সুমতিনা হায়, এন আর সি তৌদ্রিবা ফাওবা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা টাস্ক ফোর্স অসিনা কৈদৌনুং দা মায় লৈদুনা চেল্লোই। জে এফ দিনা মমাঙদগী হৌনা নো এন আর সি নো সেন্সস হায়বা বেনর মখাদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা লৈঙাক্লা চপ চাবা পাউখুম পীদনা লৈরি। সেন্সস য়েথোক্লবগী থমখিবা ৱাফম হাউস লিষ্টিং খক্তমক য়েথোক্লি। এন আর সিগী মতাংদসু এসেমব্লিনা রিএফার্ম তৌনবা ৱারেপ লৌরবসু বেজ ইয়ারগী চপ চাবা চহী হাপ্তুনা থল্লি। দিমান্দশিং চাদা ৫০ থবক্তা ওন্থোক্লবসু মপুং ফাদবনা মায় পাক্লবা খোঙজং চঙশিনবদা থৌদাং লৌনবা ৱুমেন্স ৱিংগী টাস্ক ফোর্স অসি শেন্বনি।

# লৈঙাক্লা মীয়ামগী অপান্বা মতুং ইন্না চৎমিন্নরিঃ অরুনকুমার

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ

সেন্সসকী মাঙজৌননা এন আর সি অপদেট তৌগদবনি হায়বা মীয়ামগী অপান্বদা চপ চানা লেপ্লি। মণিপুর লৈঙাক্লসু মীয়ামগী অপান্বগী মতুং ইন্না চৎমিন্নরি হায়না ৱাঙ্খৈ এ সিগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি খুরাই লম্লোং দা লৈবা লম্লোং হায়র সেকেন্দরিগী নৌনা শাবা লোইরবা ভোকেস্নেল ইদ্যুকেসন ক্লাস রুম কম ৱার্কশোপ শাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। এম এল এ অরুনকুমারনা মখা তানা হায়, মণিপুর মীয়াম অমদি সি এস ও শিংনা তাল্লিবা দিমান্দ অচুম্বা খোঙথাং অমনি। লৈঙাক অসিনসু মীয়ামগী অপান্বগী মতুং ইন্না পুন্না চৎমিন্নরি। ষ্টেট এসেমব্লি সেসনদসু মমাঙগী লৈঙাক অমদি হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা এন আর সি হান্না তৌদুনা সেন্সস পাঙথোক্লবা কয়ারক হন্না ৱারেপ লৌখ্রে। লোয়নবা সেন্টরগী লিদরশিং উন্দুনা মীয়ামগী অপান্বা কয়া তকশিনবা লেপত্রি হায়খি।

এম এল এ না মখা তানা হায়, লমদম অসিদা থোক্লিবা ইৱাং অসিনা মরম ওইরগা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমদা অপনবা কয়া পীখি। অদুম ওইনমক ইদ্যুকেসন সেক্টর অসি মরু ওইবা মরম্না অথিংবা, অয়েৎ-অপন কয়া লৈদুনসু মহৈরোইশিংগী একাদেমিক ইয়ার মাঙদনবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা তাইফন্দবনি খল্লগা ঙসিদি লৈঙাক অসিনা অরিবা মহৈলোইশঙ অমা ওইরিবা লম্লোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসিগী নৌনা শাবা লোইরবা ভোকেস্নেল ইদ্যুকেসন ক্লাস রুম কম ৱার্কশোপ অসি স্কুল অসিদা শিন্নবগী থৌরম পাঙথোকপনি।

# এন এস ইনা আই পি ওগী প্রাইস বেন্দ ফিক্স তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ

নেসনেল ষ্টোক একচেঞ্জ ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদ (এন এস ই) না ইনিসিএল পব্লিক ওফরিং (আই পি ও) ফিক্স তৌরে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না এন এস ইনা আই পি ওগী প্রাইস বেন্দ অসি ইক্যুটি স্যের ওফ ফেস ভেল্যু লুপা ১ ওইদুনা লুপা ১,৭০০ দগীনা লুপা ১,৭৮৫ দা ফিক্স তৌখিবনি। ইস্যু অসিগী সবসক্রিপসনগী ওইনা সেপ্টেম্বর ১৭ তা হাংগনি, সেপ্টেম্বর ২১ দনা ক্লোজ তৌগনি। অদুবু এনকর ইনভেষ্টরশিংগী বিদিং সেপ্টেম্বর ১৬ ওইগনি। ইনভেষ্টরশিংনা য়ামদ্রবদা ইক্যুটি স্যের ৮ বিদা তৌবা য়াগনি, মদুগী মতুংদা ইক্যুটি স্যের ৮গী মথক্তা অমুক বিদ তৌবা য়াগনি। হন্দক্কি আই পি ও অসি স্যেরহোল্ডরশিংগী ইক্যুটি স্যের অসি মিলিয়ন ১২৬.৪৪ রোম সেল তৌনবগী প্রপোজেল লৈ।

স্যেরহোল্ডরশিংগী অসিগী মনুংদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, কেনেদা পেন্সন প্লান ইনভেষ্টমেন্ট বোর্দ, অরান্দা ইনভেষ্টমেন্ট (মোরিসস) অমদি অতৈ অতোপ্পা ইন্সটিট্যুসনেল ইভেষ্টরশিংসু য়াওরি। বুক ব্যুল্ট ইস্যুদা ক্বালিফাইদ তৌরবা ইন্সটিট্যুসনেল বাইয়রশিংগী ওইনা চাদা ৫০ রিজর্ভ তৌগনি। নন-ইন্সটিট্যুসনেল ইনভেষ্টরশিংগী ওইনা য়ামদ্রবদা চাদা ১৫ অমদি রিটেল ইনভেষ্টরশিংগী ওইনদি চাদা ৩৫ রিজার্ভ ওইগনি। লোয়ননা কম্পনিগী স্যেরশিংগীদি বি এস ইদা লিষ্ট তৌবগী প্রপোজেল লৈগনি হায়রি।

কুমজা ১৯৯৪ দা হৌখিবা এন এস ই জুনা ২০২৬ ফাওবগী মনুংদা রেভিন্যু ওইনা লুপা ক্রোর ৪,৫৬০ ওইবা ঙমখি। অদুবু মমাং চহীগী রেভিন্যুদি লুপা ক্রোর ৪,৩০২ ওইখি। মতম অসিদা নেট প্রোফিটনা লুপা ক্রোর ২,৮১১ ওইরম্বা অদু লুপা ক্রোর ৩,১২১ ওইরকখি। চৎলিবা চহী ২০২৬ কী জুন ৩০ ফাওবদা এন এস ইদা য়ুনিক ইনভেষ্টর ওইনা মিলিয়ন ১৩২.৩৭ রেজিষ্টার তৌখি। অদুগা লিষ্টেদ কম্পনিনা ৩,০০৫ ওইখি। লিষ্টেদ কম্পনিশিংগী মার্কেট কেপিটেলাইজেসননা ট্রিলিয়ন ৪৭৪.০৮ ওইখি হায়রি।

# তঙদু লৈতাবা, চাওখৎপা মণিপুর অমগীদমক...

*লমায় ১গী মখা...*মহৌশাগী খূৎশেমদা শোক্লোইদবা মখলগী পোৎলম খক্তমক শীজিন্নসি। ঐখোয়না লাই অমা লাৎলগা লোইরকপদা তুরেলদা থাদবগী চৎনবী লৈবনা শারিবা লাই অদু প্লাষ্টিক য়াওদবা তুরেলদা থাদবদা ইরাই লাইনা তুম্লগা পোল্যুসন থোকহল্লোইদবা মখলগী মূর্তি শীজিন্নসি। অসুন্না ওর্গানাইজিং কন্মিটি খূদিংমক অমসুং নহাশিংনা ইনভাইরোন্টমেন্ট ঙাকপগী ৱাখল্লোন পুন্না শাগৎমিন্নসি। লোয়ননা অসিগুম্বা ঈশ্বরগী থৌরম অমা পাঙথোকপা মতমদা য়ারিবমখৈ লোকেলগী মীওইশিংনা শাজবা পোথোক খক্তমক শীজিন্ননবসু পুন্না হোৎনসি। অসুন্না কুম্ভে অমদা ঐখোয়না পোৎ অমা লৈবা অদু মফম অদুগী খূৎ শা হৈবশিংদা শেন্মীৎলোন ওইগদৌরিবনি। পূন্নমক অসি য়েংলগা পাঙথোক্লিবা লাইগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা য়াইফ থৌনি তৌবা অদুখক নত্তনা পূন্নমক য়াইফমিন্ননবা থবকসু পায়খৎমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না য়ুনাক্লোগী এম দি নিংঙোম্বম ইরাবন্তনা গভর্ণর অজয় কুমার ভাল্লাদা খুদোল তৌদুনা ইকায় খুম্নবসু উৎখি।

গনেশ পুজাগী নিনি চনবা নুমিৎতা রাজ্য সভাগী মেম্বর অধিকারিময়ুম সরদা দেবী, মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাগী লোয়নবী জয়োতি ভল্লা, সেকমাই এ সিগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গো সিংহ অমদি নম্বোল এ সিগী এম এল এ থৌনাওজম বসন্ত কুমারনা থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ইরাং অসিনা ষ্টেট অসিগী জি এস টি রিভেন্যুদা ...

*লমায় ১গী মখা...* জর্নেলিষ্ট পেন্সন স্কিমগী থা অমদা লুপা ৮,০০০ পীরম্বা অদু লুপা ১০,০০০দা হেনগৎলগনি। মসিদা নত্তনা ফেমিলি পেন্সনগী ওইনা থা অমদা লুপা ৫,০০০ পীরম্বা অদু থা অমদা লুপা ৭,০০০ ওইনা পীরগনি। হায়রিবশিং অসি অথুবদা থবক্তা ওন্থোক্লবা কেবিনেটতা পুথোক্তুনা খন্নরগনি।

ষ্টেট অসিগী লৈরিবা মেদিয়া ফার্মশিংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা এদভর্টাইজমেন্টকী বিল কয়া পীথোক্তনা লৈবা থেংনখিবনি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগা তান্নদুনা হৌজিক ফাওবদা হান্নাপেন্দিং লৈরম্বা এদভর্টাইজমেন্টকী বিল চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ১ রোমদি থাদোকপা ঙমখ্রে।

ৱাৎহৌরিবশিংসু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা থা অসিগী ২৫দা মীফম পাঙথোক্লবা মতুং বিল থাদোক্লবগী খন্ননবা শেম শারি হায়নসু মখা তাখি।

# 'ৱার্কর এদুকেসনগী লমদা এৱার্নেস পীবা চঙই'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ

নোংমগী অফংবা থবক শুদুনা লৈরিবা শীন্মীশিং অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা ৱার্কর এদুকেসনগী মতাংদা নীংথিনা এৱার্নেস পীবা চঙই হায়না এদভোকেট চোংথাম নরেন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

চহী লীশাং শিংনা পাঙথোক্তুনা লাকপা ৱার্কর এদুকেসন দেগী থৌরম ঙসি মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা ৱার্করস এম্পৱরমেন্ট- এ কলেক্টিভ রিজোল্ব ফোর ভিক্সিত ভারত ২০৪৭ হায়বা থিমদা চীংমৈরোংদা লৈবা অদিমজাতি শিক্ষ্য আশ্রমগী এমিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱাৰোল পীরদুনা এদভোকেট চোংথাম নরেন্দ্রনা হায়, ঙসি ঙসিমক নোংমগী অফংবা থবক শুদুনা লৈরিবা শীন্মীশিং অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা ৱার্কর এদুকেসনগী মতাংদা নীংথিনা খঙহনবা মথৌ তাই। মসিনা নোংমগী অফংবা থবক শুদুনা য়ুম পুনবা হোৎনরিবশিংদা লৈঙাক্লা শীন্মীশিং অদুনা পীরিবা খূদোংচাবশিং খঙহনবা ঙমগনি। তোঙান তোঙানবা শীনফম কয়াদা লৈরিবা নহাশিংদা ৱার্কর এদুকেসনগী মতাংদা খঙহনবা অসিনা মখোয়গী মথৌ তাবা শেনফম ফংহনবদা মতেং পাংবা খক নত্তনা চাউখৎপা লমদম অমা ওইহনবদসু চাউনা মতেং ওইগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা দেতোপান থেঙাদি নেসনেল বোর্দ ওফ ৱার্করস এদুকেসন এন্দ দিভলপমেন্ট, রিজনেল এদভাইজরি কন্মিটিগী চেয়রমেন অহোংশাংবম প্রেমকুমার, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর সি ঐচ ইবোহল অমদি এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী এলন্দকুমারনা মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ৱার্কর এদুকেসন ২.০-ফ্যুচর-রেদি ৱার্কফোর্স ফোর ভিক্সিত ভারত ২০৪৭ হায়বা হীরমদা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী সেমিনার অমসু পাঙথোকখি।

# মহৈরোইশিংনা নো এন আর সি নো সেন্সসকী খোল্লাও লাউখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ

সেন্সস মপুং ফানা য়েথোক্তুনা লমদম অসিদগী মীতোপ খন্দোক্লবা কুমজা ১৯৫১না বেজ ইয়ার ওইদুনা তৌগদবনি হায়না সঞ্জেনথোংদা লৈবা সি সি হায়র সেকেন্দরী স্কুল অমদি ক্বাকৈথেল ময়াইকোইবীদা লৈবা মিলেনিয়ম ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্সকী মহৈরোইশিংনা নো এন আর সি নো সেন্সসকী খোল্লাও কয়া লাউখ্রে।

কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসনগী ষ্টুদেন্টস ৱিংগী মীৎয়েং মখাদা চথখিবা খোঙজং অদুগা মরী লৈননা ষ্টুদেন্টস ৱিংগী থৌমী অমনা হায়, হন্দক ফমখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীফমদা মীহুৎশিংনা এন আর সি তৌনবা ৱাফম চীনদা ফোঙদোকখ্রবসু ওফিসিয়েল ওইবা ওর্দর অমা থোক্তুনা থবক ওইনা পায়খৎনবগী থৌরাং তৌবা উদে। লমদম অসিগী মীয়াম অমদি জে এফ দিনা তাল্লিবা দিমান্দশিংগী পাউখুম ঙসি ফাওবা লৈঙাক অসিনা পীদনা লৈরি। লোয়ননা মীয়ান্না লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাক্লিবা ষ্টেট অসিদা এন আর সি অপদেট তৌদুনা মীতোপ খন্দোক্লবা থবক পায়খৎনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মণিপুর লৈঙাক্লা তকশিনগদবনি। দিমান্দশিং অসিগী মতাংদা জে এফ দিগী ষ্টুদেন্টস ৱিং অমদি মহৈরোই খুন্নাইনা মখা তানা খোঙজং কয়া চঙশিনখিগনি হায়খি।

# স্কোলরশিংগী ষ্টাইপেন্দ পীদবা খুন্নাইবু শীংনবনিঃ ফেসোক

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি (দি এম য়ু)দা রিছার্স তৌরিবা পি ঐচ দি স্কোলরশিংগী ষ্টাইপেন্দ পীদবা হায়বসি মহৈরোই খুন্নাইবু শীংনবনি লৌই হায়না ফেদরেল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, কংলৈপাক (ফেসোক)না ফোঙদোরক্লি।

ফেসোক্কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি সি ঐচ বিসন্তা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, দি এম য়ুনিভর্সিটিদা রিছার্স তৌরিবা পি ঐচ দি স্কোলারশিংগী ষ্টাইপেন্দ পীদবা হায়বসি মহৈরোয় খুন্নাইবু শিংনবনি। ষ্টাইপেন্দ পীবিয়ু হায়বগীদমক রিছার্স তৌরিবা মহৈরোয় কয়ানা য়ুনিভর্সিটি অসিগী এদমিনিস্ট্রেটিভ ব্লোক মমাংদা ফাওবা মরী লৈনবা মণিপুর লৈঙাক্কী অমসুং য়ুনিভর্সিটিগী মায়কৈদগী থৌশাদবা মওং উৎতুনা খঙশিন্নদবা শারগা লৈথোকপা অসি লায়বক থিবনি হায়না ফেশোক্লা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, রিছার্স তৌরিবা মহৈরোয় অমগী মখোয় মখোয়গী পিঐচদি জর্নিদা মখোয়গী ৱার্ক অমা মপুং ফানবা হোৎনবদা ফিল্ড সর্ভে চৎপা, লেবোরেটোরিদা ৱার্ক তৌনবা কেমিকেল অমসুং ইক্যুপমেন্ট লৈবা, পেপর ফোঙবগী, নেসনেল অমসুং ইন্তরনেসনেল কনফরেন্স অমসুং ৱার্কসোপ চৎপা অসিনচিংবা হায়রিবশিং অসি শেল য়াওদনা য়াবা নত্তে হায়বসি খঙনা খঙনা তুমিন্না লৈশিনবা হায়বসি ধর্ম্ম য়াওদবা থৌওংনি হায়না ফেশোকনা লৌই। মসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়া অসি তুংদা মায়োক্লরক্কনি খঙনা খঙনা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইনা লিংখৎলগা চল্লাইবা হৌরবনিনা পিঐচদি কোর্সসু হৌরসি হায়না ফেসিলিটি করিমত্তা লৈতনা পায়খৎলিবা থৌওং অসি লায়বক থিবনি হায়রি।

# মণিপুর ইন্দিজিনস এলাইন্স কৌবা অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা লিংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ

মণিপুরদা মৈহৌরোলদগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লবা ইন্দিজিনস কম্যুনিটিশিংগী লেন্দ, হেরিটেজ, আইদেন্টিটি, ইন্সটিট্যুসন, লাইভলিহুদ ঙাক্তুনা তুংগী লাইবক শেন্নবগী পান্দমদা মণিপুর ইন্দিজিনস এলাইন্স কৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা নৌনা লিংখ্রে।

মণিপুর ইন্দিজিনস এলাইন্স (এন আই এ)গী প্রসিদেন্ট সোরাইসম সুরেন্দ্র সিংহনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ঙসি মৈত্রমদা পাঙথোকপা কনফরেন্স অমদা মণিপুর ইন্দিজিনস এলাইন্স হায়না মিংথোনবা অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অসি লিংখিবনি। কনফরেন্স অসিদা পার্টি অসিগী কন্সটিট্যুসনসু এদোপ্ট তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

কনফরেন্স অদুদা সোরাইসম সুরেন্দ্র সিংহবু প্রসিদেন্ট, গাইদিংমৈ গোলমৈবু ভাইস প্রসিদেন্ট, খাইদেম দেবচান্দ সিংহবু জেনরেল সেক্রেটরী (এদমিনিষ্ট্রেসন), রাইঙম কৈশিংবু জেনরেল সেক্রেটরী (ওর্গনাইজেসন), বি কে জয়ষণবু জেনরেল সেক্রেটরী (পব্লিসিটি এন্দ মেদিয়া), রোনাল্ড নাওরেমবু ট্রেজরর অমদি অবিসাই কাশুংবু সেক্রেটরী ওইনা খল্লে হায়রি।

কনফরেন্স অদুনা পার্টি অসিগী ফ্লেগ এপ্রুভ তৌখিবগা লোয়ননা পার্টিগী ওইবা সিম্বোল ইলেক্সন কন্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী এপ্রুভেল লৌনবগীদমক মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলগনি হায়রি।

# লাংবন কৈথেল হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ

কোনুং মমাঙদা লৈবা হপ্তা কাংজৈবুংদা দি এস ইন্তরপ্রাইজেসনা শীন্দুনা থাবুম অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা ৬শুবা লাংবল কৈথেল কম এক্সপো, ২০২৬গী ঙসি হৌদোকখ্রে।

লাংবল কৈথেল হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দি এস ইন্তরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর হৈস্নাম হেরোজিৎনা হায়, লমদম অসিদা অপুনবগী ওইবা শক্তম অমা শাগৎনবগী পান্দমদা লাংবন কৈথেল অসি শীনবনি। চহী ৫ রক লাংবল কৈথেল অসি পাঙথোক্লবা মতুংদা লমদম অসিদা থোক্লিবা থৌদোক কয়া অমদি কোভিদ ১৯না মরম ওইদুনা লেপ্লুরবা তুংদা ঙসিদগী হৌরগা থা অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবনি। মসিদা ইরমদম অসিদা লৈরিবা ফুরুপ খূদিংমক্লা পুনশিন্দুনা মেলা অসিদা ষ্টোল ৩০০গী মথক্তা হাংলি হায়খি।

# পোলিটিকেল পার্টিশিংনা খুদোংচাবা লৌনবা ...

*লমায় ১গী মখা...* ফোঙদোরক্লি।

১৪ সি এস ও, কবুই য়ুনিয়ন, রোংমৈ নাগা য়ুথ ওর্গনাইজেসন, কোম য়ুনিয়ন মণিপুর, ইন্দিজিনস পিপল্স ফোরম মণিপুর, এম এন ৱাই ও, এম এম তি য়ু, অম্মোকোক, মৈতৈ লিপুন, মাও য়ুনিয়ন ইম্ফাল, মণিপুর নাগা য়ুথ ওর্গনাইজেসন অমদি থাদৌ ইনপি মণিপুরগী মীহুৎশিংনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা জেইন্ট ষ্টটমেন্ট চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা তোঙান তোঙানবা মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরনা পার্টি ওফিসকী ফঙ্কসন অমদা পনখিবদা ২০২২ দা ওর্গনাইজেসন অমত্তনা এন আর সি দিমান্দ তৌখিদে। বিজেপি মথন্তনা এন আর সিগী দিমান্দ অসি মণিপুরগী ইন্দিজিনস পিপলশিং কন্নবা অমসুং দেমোগ্রাফিগী অহোংবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা ফিরেপ অসি ওইহন্নবা হোৎনখি হায়বসি মণিপুর মীয়াম্না চহী কয়া দেমোগ্রাফিক এম্বেলেন্সকা মরী লৈননা ইসু কয়াদা ওর্গনাইজেসন কয়া অমসুং এক্টিভিষ্ট কয়ানা লৌখিবা থৌদাং কয়াবু নাথৈনবা হোৎনবনি।

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদগী লমদম অসিবু ঙাক্লবা অমসুং য়েলহৌ ফুরুপশিংগী হক মাংদনবা থৌদাং কয়া মতম মতমগী ওর্গনাইজেসনশিংনা লৌদুনা লাক্লি। পনবা য়াবদি ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা মণিপুরগী লৈজরম্বা এন্ট্রি অমসুং একজিট পাস অদু ১৯৫০ গী নভেম্বর ১৮ দা এবোলিশ তৌবিখ্রবা মতুংদা মণিপুর মীয়াম নত্তনা মতম মতমগী গভর্নমেন্টনা মশাগী থৌদাং লৌজরগা লৈবাক অসিদা দেমোগ্রাফিগী ওইবা অহোংবশিং অসি ষ্টদি তৌবা নৎত্রগা ঙাকথোক্লবা তৌখিবা অমত্তা লৈতে হায়নসু মখা তাখি।

# মণিপুরনা বেষ্ট পার্ফোমিং ষ্টেট এৱার্দ ...

*লমায় ১গী মখা...* ওইরি। এৱার্দ অসি প্রমোটিং ইলেক্ট্রিক মোবিলিটি অমদি সষ্টেনেবল ট্রান্সপোর্টেসনগী লমদা থবক ফজনা তৌদুনা ইলেক্ট্রিক ভেহিকল অমদি ইকোসিষ্টমদা ক্লিন মোবিলিটি লৈহনবা ঙম্বগীদমক পীবা এৱার্দনি।

গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা ট্রান্সপোর্ট প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি আর কে দিনেশ, টি সি আইগী স্পেসিএল সেক্রেটরি লালটানপুই, ট্রান্সপোর্ট দাইরেক্টর কেঐচ দাইনা, এম এস পি সি এলগী প্রিয়োরঞ্জন অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি টি ও কেঐচ সঞ্জিভকুমারনা এৱার্দ অসি লৌখি। ইন্দিয়া ইলেক্ট্রিক মোবিলিটি ইন্দেক্স (আই ই এম আই) ২০২৫ গী মণিপুরনা বেষ্ট পার্ফোমিং ষ্টেটকী এৱার্দ ফংলকখিবা অসিদা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট, পৱার দিপার্টমেন্ট, মহুদ অমদি অতৈ অতোপ্পা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা কন্না হোৎনখিবা অদুনসু এৱার্দ অসি ফংবা ঙম্লকখিবনি হায়রি।

# কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী নাগা তাবা চৱাংকিনিং ...

*লমায় ১গী মখা...*থৌদোক অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মী অশোক অপন অশি-অনা য়াওবগী পাউদি লৈতে। থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোল্লদুনা চৱাংকিনিং ভিল্লেজ ওথোরিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী শুপ্নতগী কিলোমিটর ১৪ রোম চঙশিল্লগা লৈবা চৱাংকিনিং খুলদা ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদগী লেপ্তুনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক্ট চথরকখি।

খুল অসি হৌজিক নাগা অমসুং কুকি অনীগী মরক্তা থোক্লিবা উংখৎনবা অসিগী য়েংলগা কুকি খুলশিংনা কোয়শিল্লগা তাবা মরম্না খুল অসিবু ঙাক শেন্নবা হান্নদগী হৌনা সি আর পি এফকী পর্সোনেল খরা লৈবনি। সি আর পি এফ লৈ খঙনা খঙনা অকনবা মওংদা এটেক্ট চথরক্লিবা অসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। অহিং চুপ্পা এটেক্ট চথরক্লবসু অহেনবা সেক্যুরিটি পর্সোনেলশিংদি ঙসি অয়ুক নোংমৈ কাপ্পা লেপখ্রবা মতুংদা য়ৌরকখি। পূন্নমক অসি য়েংলগা মণিপুর লৈঙাক অমসুং সেক্যুরিটিগী মরী লৈনবশিংনা খুল অসিবু হেন্না চেকশিন্না ঙাকপীনবা অপিল তৌরি। মরম অদুনা হায়রিবা এটেক্ট অসি কনানা কমদৌনা চথরকখিবনো হায়না লৈঙাক্লা থীদোকপীয়ু। এটেক্ট অদুদা চেন্নবশিং লোগী ওইবা এক্সন লৌখৎলগা চৈরাক পীবিয়ু। কুকি খুলনা কোয়শিল্লগা লৈবা চৱাংকিনিং খুলগী সেক্যুরিটি হেন্না কনখৎপীয়ু। লোয়ননা রিইনফোর্সমেন্ট লাকপদা মতম কুইনা চঙলিবা অদু করিগীনো থিদোক্কদবনি। এটেক্ট অদুদা শোকহল্লবা য়ুমশিং অমসুং খুঞ্জাশিংগী রিলিফ অমসুং রিহেব্লিটেসন তৌনবা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা হোৎনগদবনি হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

# 'সুইসাইদেল কেস হন্থহনবদা মীপুম খূদিংমক্লা থৌদাং লৌফম থোকই'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ

লমদম অসিদা সুইসাইদকী কেস হন্থহনবদা মীপুম খূদিংমক্লা থৌদাং লৌফম থোকই হায়না দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম ইম্ফাল ইষ্টকী নোদেল ওফিসর ডা. এম দি অব্দুল সাবিরনা ফোঙদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা খুরাই সাজোর লৈকাইদা লৈবা শ্রী শ্রী গৌরগোবিন্দ গার্লস কোলেজদা ৱার্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন দে ২০২৬কী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখিবা ডা. এম দি অব্দুস সাবিরনা হায়, সুইসাইদেল টেন্দেন্সি লৈবা মীওই অমগা মশক মতৌ, ৱাঙাং, শাঙাংদা মহৌশাদগী খেন্নরকপগী মমি চাউনা তাগনি। মণিপুরগী ওইনা মেন্টেল হেল্থকী ইসু অসি ঙসি ঙসিমক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফিভম অমদি রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওই কয়াদা চাউনা চৈথেং পীরি। সুইসাইদ তৌবগী ৱাখল লাকপা মীওইশিং মাঙজৌননা নুংশি চান্নবা লোয়নবীবা চঙই। সুইসাইদকী কেস মশীং হন্থনবা হোৎনবদা ডাক্তর, অমদি মেন্টেল হেল্থ প্রোফেসনেল খক নত্তনা মীপুম খূদিংমক্কী থৌদাং লৌফম থোকই হায়খি।

# ইনাও ফাখিবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ

৩৩শুবা অসাম রাইফল অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোনা ফাখিবা পাৎশোই পার্ট থ্রি মমাঙ লৈকাইদগী কেঐচ ইনাও মীচমনি, মহাক্কী মথক্তা শীরিবা মরাল য়ানিংদে হায়না ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

পাৎশোই টুলিয়াইমা সেপ্পুরি ক্লব অমদি পাৎশোই পার্ট থ্রি অপুনবা মৈরা পায়বী লূপনা শীন্দুনা পাৎশোই পার্ট থ্রি কম্যুনিটি হোলদা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা পাৎশোই পার্ট থ্রি অপুনবা মৈরা পায়বী লূপকী থৌমী এসঐচ সোনিয়ানা হায়, বাবু দুকান হায়না খঙনবা উনিংখোং বাজারদা টায়ার ৱার্কসোপ তৌদুনা ইমুং মনুং পুরিবা ইনাওবু লোনা থিংখ্রবা লালহৌলূপ প্রিপাক প্রোগী কাদর অমনি হায়না মরাল শীরকপা অসি য়ানিংদে। মহাক্কী মথক্তা পাল্লিবা এক্টশিং অসি লৌথোক্তুনা অথুবা মতমদা তেক্তা কায়দনা থাদোকপীয়ু হায়খি।

# এমসুনা স্কোলরশিংগী খোঙজং শৌগৎলক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি (দি এম য়ু)গী রিছার্স স্কোলরশিংনা ষ্টাইপেন্দ পীথোক্তবগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজং শৌগৎলক্লি।

এমসুগী পব্লিসিটি এন্দ ইনর্ফোমেসন সেক্রেটরি সর্তো রেঙনয়র কোমনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লমদম অসিগী অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফমশঙ অমা ওইরিবা ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি (দি এম য়ু)গী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী পি ঐচ দি রিছার্স স্কোলরশিংগী ২০২২, ২০২৪, ২০২৫ বেট্চকী য়ুনিভর্সিটিনা পীফম থোকপা ষ্টাইপেন্দ পীথোকপীদবদগী মহৈরোইশিংনা মতম শাংনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি শৌগৎলি। অৱাৎপা কয়ানা থল্লবা ষ্টেট অসিগী অমত্তা ঙাইৱবা য়ুনিভর্সিটি অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# উচিৱাদা অশিবা হকচাং অমা..

*লমায় ১গী মখা...* তুরেলদা তাওথরকপা উরকপদগী পুলিসতা পাউ পীরবা মতুং অশিবা হকচাং অদু লৌখৎখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অদু লিলোং অৱাং লৈকাইদা লৈবা এম দি অরিয়ান (১৯) অপোকপা এম দি তলহা কৌই। মহাক চৎলিবা থা সেপ্টেম্বর ১৪গী নুমিদাং পুং ৭ অদুৱাইদা ময়ুমদগী থোকখিবদগী হঞ্জিল্লক্তবনি। লৈখিদ্রবগী হকচাং রিমসকী মীরেলশঙদা পোষ্ট মোর্টমগীদমক থমখ্রে হায়রি।

# কঞ্জ্যুমরশিংনা ঙাকপিগনি...

*লমায় ১গী মখা...*থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ইন্দিয়াগী মফম খূদিংমক্তা পৱার ক্রাইসিস লৈবনা মৈগী অৱাবা ঐখোয়গী মণিপুরদসু মায়োক্লরি। শেল লৈরবসু মৈ লৈবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। অদুবু গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগা এম এস পি দি সি এলগা কো-ওর্দিনেসন তৌনরগা অতোপ্পা পান্থে শীজিন্নদুনা মহৌশাগুম মৈ লাক্লবা য়ান্না কন্না হোৎনরি। ষ্টেট অসিনা থেংনরিবা মৈগী অৱাৎপা অসি নোংমদা এম দব্লিয়ু ৯০ নি। ষ্টেট অসিগী মথৌ তারিবনা এম দব্লিয়ু ২৭০ নি অদুগা ঐখোয়না ফংলিবা অসিনা শুপ্নগী এম দব্লিয়ু ১৮০ খক্তনি। হৌজিক-হৌজিক মৈগী মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসি নোং-নুংশিৎকী চাং মতম নাইদবনা মরম ওইরগা হায়দ্রো পৱার আউটপুটকী চাং হন্থরকপা, কোয়লাগী ওইবা ষ্টোরেজ অমসুং সপ্লাইগী চাং ৱাৎলকপনা মরম ওইরগা থর্মেল জেনরেসনগী চাং হন্থরকপা অমদি ইনর্জি মার্কেটতা পৱারগী অৱাৎপা লৈরকপননি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম...

*লমায় ১গী মখা...* মণিপুর হায় কোর্টকী জজ জষ্টিস এ গুনেশ্বর শর্ম্মনা রিছোর্স পার্সন ওইনা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা কম্মর্সিয়েল কোর্ট এক্ট ২০১৫ অমদি মেদিয়েসন এক্ট ২০২৩গী লৈরিবা প্রোভিজনগী মতাংদা মরু ওইবা ৱাফম কয়া থল্লদুনা কম্মর্সিয়েলগী দিসপুট লৈবা মতমদা ত্রেন্দ মেদিয়েটরশিংনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা লৌগদবা মরু ওইবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরি ইনচার্জ ওজেস মুতুমনা হৌদোক ৱারোল থমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তোঙান-তোঙানবা এদভোকেট মেদিয়েটর কয়াসু শরুক য়াখি।

# মোদিগী মপোক নুমিৎ বি জে পিনা...

*লমায় ১গী মখা...* থম্বাল শঙলেন্দদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কে সরতনা মখা তানা হায়খি, সেৱা সংকল্প অভিয়ানগী অহানবা নুমিৎতা বি জে পিগী কার্য়কর্তাশিংনা মফম ৭তা ঈ কৎকনি। লোয়ননা নুমিদাংগী পুং ৬তগী ৭ ফাওবগী মনুংদা থাওমৈ থান্দুনা 'আর্সিৱাদ কা দিয়া'গী থৌরম পাঙথোক্কনি। লোয়ননা থৌরম পরিং অসিগী মখা তারকপদা আঙ্গনৱারি অমদি আসা ৱাকরবু ইকায় খুম্নবা উৎপগী আঙ্গন কা মিলন সেৱা সেতু অভিয়ান, দ্রোৱিং অমদি স্পিছ কম্পিটিসন, সেৱা জ্যোতি যাত্রা, কহানি বদলাও কি, ৱিকসিদ ভারত সংকল্প যাত্রানচিংবা থৌরম কয়া মথং মথং পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ফিশা লোনশা চাউখৎনবা ...

*লমায় ১গী মখা...* লোনশাগা মরী লৈনবা সোসাইটি অমদি ফিশাবীশিংনা পাউনা বাজারদা লৈবা এম ঐচ ঐচ দি সি এলগী ওফিসতা তরান্না ওকপগী থৌরমদা এম এল এনা মখা তানা হায়, ফিশা লোনশা নুপীশিংগী শেন্মীৎলোন পীরি, কান্নবা হেন্না পীবা ঙম্নবা চেয়রমেন অমা ওইনা হোৎনগনি। মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চেয়রমেন ওইনা মমাঙগী গভর্ণমেন্টনসু ২০২২ চহী অদুগী অরোইবা শরুকতা ফম পুহনখি। ২০২৩গী মে ৩দগী ইরাং লৈখিবা অদুদগী ২০২৫দা চীফ মিনষ্টর রিজাইন তৌরগা প্রসিদেন্ট রুল লাকখিবা অদুনা থবক নীংথিনা পাঙথোকপদি ঙমখিদ্রে। অদুবু চেয়রমেন ওইনা লৈরিঙৈদা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন পীবদা লৌউ শিংউগী মথংদা ফিশা লোনশা অমদি হেন্দিক্রাফ্ট অসিনা ওইবনা মসিবু চাউখৎনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়নসু হায়খি।

# জে এফ দি ৱুমেন্স ৱিং টাস্ক ফোর্স ...

*লমায় ১গী মখা...*চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা টাস্ক ফোর্স অসিনা কৈদৌনুং দা মায় লৈদুনা চেল্লোই। জে এফ দিনা মমাঙদগী হৌনা নো এন আর সি নো সেন্সস হায়বা বেনর মখাদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা লৈঙাক্লা চপ চাবা পাউখুম পীদনা লৈরি। মসিদা নত্তনা সেন্সস য়েথোক্লবগী থমখিবা ৱাফম হাউস লিষ্টিং খক্তমক য়েথোক্লি। এন আর সিগী মতাংদসু এসেমব্লিনা রিএফার্ম তৌনবা ৱারেপ লৌরবসু বেজ ইয়ারগী চপ চাবা চহী হাপ্তুনা থল্লি। তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি চাদা ৫০ থবক্তা ওন্থোক্লবসু মপুং ফাদবনা হেন্না মায় পাক্লবা খোঙজং চঙশিনবদা থৌদাং লৌনবা ৱুমেন্স ৱিংগী টাস্ক ফোর্স অসি শেন্বনি। টাস্ক ফোর্স অসিনা মণিপুরগী মমা ওইবী কয়া অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা মীয়ামগী অপান্বা খঙদ্রিবা ফাওবা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়খি।

# রসিয়াদগী থাও লৈবগীদমক ইন্দিয়াগী মথক্তা চাদা ১০০গী টারিফ থন্নবা য়ু এসনা থবক লৌখৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সি):
ইন্দিয়ানা য়ূম্ব ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ব্রিক্স সম্মিটতা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা য়ু এসনা য়াল্লবা টারিফ কয়া ইম্পোজ তৌরিবা অসিবু য়ানিংদবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবা মতুং রসিয়াদগী থাও অমদি গ্যাস লৈদুনা শিজিন্নরিবা ইন্দিয়া য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মথক্তা চাদা ১০০গী টারিফ থন্নবা য়ু এসকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবনা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে।

য়ু এসকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবতা হিরম অসিগী মতাংদা খন্নবা অদুদা ইন্দিয়াবু মপুং ওইনা মিং পল্লদুনা রসিয়াদগী পেট্রোলিয়ম প্রদকশিং লৈদুনা শিজিন্নরিবশিংগী মথক্তা নৌনা এমেন্দ তৌদুনা চাদা ১০০গী টারিফ থক্কবা ৱা খন্নবা হৌখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনা নৌনা চাদা ১০০গী টারিফ থন্নবগী অরোইবা ৱারেপ লৌবদি লৈত্রি।

য়ু এসকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবতা লেজি সলেচরশিংনা রসিয়া অমদি ইরানগী মথক্তা এক্ট ওফ ৱারগা মরী লৈননা য়ানিংদবগী ভোট পীখ্রে।

হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিব অসিগী লৈরিবা রুলগী মতুং ইন্না রসিয়াদগী থাও লৈদুনা শিজিন্নরিবা ইন্দিয়া য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মথক্তা অহেনবা টারিফ থন্নবগী খোঙথাংগা মরী লৈননা মখা তানা খন্ননবা য়ান্নখ্রে।

অমরোমদা য়ু এসকী মায়কৈদগী টারিফকা মরী লৈননা নৌনা এমেন্ট তৌগদৌরিবা অসিনা ইন্দিয়াগী লৈরিবা পোত্থোকশিংগী মথক্তা এক্সপোর্ট তৌবগা মরী লৈননা চাদা ১০০গী টারিফ থমগদবা নৎতে। রসিয়াদগী থাও, নেচরেলগী গ্যাস লৈদুনা শিজিন্নবদা নৎত্রগা রসিয়াগা লল্লোনইতিক্কী ওইবা নক্নবা মরী লৈনবা লৈবাকশিংগী মথক্তা চাদা ১০০গী টারিফ থন্নবা য়ু এস লৈঙাক্না থৌরাং পায়খৎলকপনি হায়রি।

য়ু এস লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তারিফকা মরী লৈননা লৌখৎলক্কদৌরিবা খোঙথাং অসিনা ইন্দিয়া, চাইনা, য়ু এ ই, টর্কি, অজরবৈজান, হঙ্গরি, সিঙ্গাপোর, কজখষ্টান, কির্গিষ্টান অমদি রিপব্লিক ওফ স্লোভিকিয়াদা চাওরবা চৈথেং কয়া নংলবা য়াই হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারক্লি।



# এম ঐচ এনা 'সহজাদ ভাত্তি নেটৱার্ক' টেরোরিষ্ট আউটফিদনি হায়না লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সি):
মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ারস (এম ঐচ এ)না 'সহজাদ ভাতি নেটৱার্ক'পু অনলোফুল এক্টিভিটিজি (প্রিভেন্সন) এক্ট, (য়ু এ পি এ)গী মখাদা টেরোরিষ্ট আউফিদনি হায়না লাউথোকখ্রে।

হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জেরো টোলারেন্স এগেন্সট টেরর হায়না থল্লিবা ভিজন অসিগী মখাদা সহজাদ ভাতি টেরর নেটৱার্কপু য়ু এ পি এগী মখাদা টেরোরিষ্ট ওর্গ্যানাইজেসনি হায়না লাউথোক্লে।

গ্রুপ অসি আর্মস, এক্সপ্লোসিব অমদি নার্কোটিক সবষ্টেন্সেসশিং ঙমখৈ লান্না স্মাগ্লিং তৌবদা চেন্নবতা নৎতনা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা ক্রিমিনেলগী ৱাখল্লোন পোকহন্দুনা টেরোরিজমগী লাংদা থুনবা শিনবগী থৌওং চথবা গ্রুপ অমনি।





সহজাদ ভাতি নেটৱার্কনা লৈবাক অসিগী দেমোক্রেটিক ষ্ট্রকচর অসিবু টার্গেট তৌদুনা তোঙান তোঙানবা লাইনিং লাইশোন চৎপা কম্যুনিটিশিংগী মরক্তা নুংশিনহন্দনবা কন্টেন্ট কয়া য়াওবা তোঙান তোঙানবা প্লেটফোর্মদা পব্লিস তৌদুনা লৈবাক অসিদা পামদবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোক্নসবা শিনবা গ্রুপ অমনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

সহজাদ ভাতি নেটৱার্ক হায়রিবা ওর্গ্যানাইজেসন অসিনা লমহেন তুহেনবা নহারোল অমদি লোকেল ক্রিমিনেলশিংবু ঙমখৈ লান্না আর্ম, এক্সপ্লোসিব অমদি নার্কোটিক সবষ্টেন্সেস কয়া স্মগ্ল তৌবদা শীজিন্নবতা নৎতনা লৈবাক অসিদা টেরোরিষ্ট এক্টিভিটি কয়া চথবা অসিনা লৈবাক অসিগী দেমোক্রেটিক সিষ্টেম, কম্যুনেল হার্মোনি অমদি ইন্টর্নেল সেক্যুরিটিদা থ্রেত তৌদুনা কাং–খোঙ চাইবা লৈবাক অমা ওইননবা অতম্লনা হোৎনরি হায়নসু মখা তারিক্লি।

# সি জে পিনা কেম্পেন চংখগদৌরি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিগী ত্রাইবেল কম্যুনিটিশিংনা নমনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মফমশিংদা অৱাৎ অপানা থল্লবা স্কুলশিং অসিবু অথুবা মতমদা মথৌতাবা অৱাৎ অপাশিং মেনশিন্দুনা মহৈরোইশিংদা মপুং ফানা মহৈ মশিং তম্বিগদবনি হায়বগী পান্দমদা কোক্রোস জনতা পার্টিনা 'অদিভাসি স্কুল থিক করো' হায়না মিংথোনবা কেম্পেন অমা লাক্লিবা থা অসিগী ১৭তগী হৌরগনি হায়না সি জে পিগী ফাউন্দর অভিজিত দিবকেনা ফোঙদোরক্লি।

পাউমীশিংগা উন্নবদা অভিজিত দিবকেনা হায়, সি জে পিনা চংশিনগদৌরিবা কেম্পেন অসি ত্রাইবেল স্কুলশিংনা থেংনরিবা অৱাৎ অপাশিং অসি খুদক্তা মরীলৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিন্দুনা মথৌতাবা থবক লৌখৎনবা অমদি ত্রাইবেল মহৈরোইশিংবু হস্থনা য়েংবীবগী মীৎয়েং অসিবু তোক্নবগী পান্দমদা চংশিনগদবা খোঙজং অমনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# পাকিষ্টান নেভিগী সিপ অমনা ইন্দিয়াগী ৱারসিপ অমদা থেংজিল্লকখ্রে, পাকিষ্টানগী এম্বেসেদর সমোন তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সি):
পাকিষ্টান নেভিগী সিপ অমনা অরাবিয়ান সিদা ঙাক শেনবগী থবক তৌরিবা ইন্দিয়ান ফ্রন্টলাইন ৱারসিপ অমদা থেংজিল্লকখ্রে, পাকিষ্টান নেভিনা চত্থরকখিবা থৌওং অদু অনপ্রোফেসনেল ওইবা মথৌ মশক খঙদবা থৌওং অমনি হায়রদুনা হিরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাকিষ্টানগী এম্বেসেদর সমোন তৌখ্রে।

থৌদোক অসি হৌখিবা থা অসিগী ১৫দা নুমিৎ কুদিংগী চথবা রুটিন অমা ওইনা নোর্থ অরাবিয়ান সিদা ইন্দিয়ান নেভিগী ৱারসিপ অমনা সর্ভেলেন্স ওপরেসন চত্থরিঙৈ পাকিষ্টান নেভিগী সিপ অমনা অকন্নবা স্পীদকা লোয়ননা থেংজিল্লকখিবনি হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটনেল এফিয়ারসকী মায়কৈদগী থাদোরকপা ৱারোল অমদা থৌদোক অসিগী মতাংদা মতিকচাবা পাউখুম পীনবা পাকিষ্টানগী হায় কমিস্নার সাদ ৱারিস সমোন তৌখ্রে। অসিদা নৎতনা মহাক্কী মথক্তা অকনবা প্রোটেষ্ট তৌরি।

ইন্দিয়ান নেভিনা মশাগী মথৌ পাঙথোক্লিঙৈ পাকিষ্টান নেভিনা চত্থরকখিবা থৌওং অদু অনপ্রোফেসনেল ওইবা, য়াবা ঙম্লোইদবা থৌওংনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

এক্সটর্নেল এফিয়ারসকী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোকপদা পাকিষ্টান নেভিগী সিপনা অকনবা স্পীদকা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ৱারসিপতা থেংজিল্লকখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী ৱারসিপ থোইদোক্লা চাওনা অমাঙ অতা নংখিদে। অদুবু ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টানগী মরক্তা মিলিটরি এক্সরসাইজকা মরী লৈননা খূৎয়েক পীনখিবা এগ্রীমেন্ট অদুগী আর্টিকল ১০ অদু পাকিষ্টশন নেভিনা থুগায়দুনা চত্থরকপা থৌওংনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পাকিষ্টানদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী এম্বেসিগী মায়কৈদগীসু থৌদোক অসিগী মতাংদা পাকিষ্টান ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী মথক্তা য়ানিংদবগী ৱাফম খঙহনবগা লোয়ননা হিরম অসিগী মতাংদা পাকিষ্টানগী মরীলৈনবা ওথোরিটিনা ইনক্কারি চথনবা তকশিনখ্রে।

অমরোমদা পাকিষ্টান লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু হিরম অসিগী মতাংদা ইনক্কারি অমা চথনবা মরীলৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখিবা লৈখ্রে হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

নিংশিংবা য়াবদি হৌখিবা চহী ১৯৯১গী এপ্রিল থাদা ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টানগী মরক্তা মিলিটরি এক্সরসাইজকা মরী লৈননা চৎন কাংলোন কয়া য়াওবা এগ্রীমেন্ট অমা খূৎয়েক পীনখিবা লৈখ্রবনি।

# মনি লোন্দরিং কেসকা মরী লৈননা ই দিনা তোঙান তোঙানবা মফম ১৭তা থিবা হুন্ধগী থবক চংখ্রে



কোলকটা, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সি):
ইনভেষ্টমেন্টগী মিংদা মীয়ামবু নমথাক তৌদুনা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম নিয়ম লান্না খোমগৎখিবগা মরী লৈননা চত্থরকপা মনি লোন্দরিং ইনভেষ্টিগেসনগা মরী লৈননা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেট (ই দি)না কোলকটা অমদি ইন্দোরগী তোঙান তোঙানবা মফম ১৭তা থিবা হুন্ধগী থবক চথখ্রে।

মনি লোন্দরিংগী চার্জ মায়োক্নরিবা অন্ত্রিত গ্রুপ ওফ কম্পেনিগী কে সি দুজারি, কালিকিশ্বর বাক্সি অমদি অতোপ্পা মরীলৈনবা মীওইশিংগী প্রোপর্টি কয়াদা ই দিনা লেপ্তনা থিবা হুন্ধগী থবক চথরি।

সেক্যুরিটি ফোর্স অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গল ষ্টেট পুলিসকা কোর্দিনেসন তৌরবা মতুং ই দি কোলকটানা প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্টকী সেক্সন ১৭কী মখাদা থিবা হুন্ধগী থবক চথখিবনি। অন্ত্রিত গ্রুপ ওফ কম্পেনি অমদি কম্পেনি অসিগী দাইরেক্টরশিংনা তোঙান তোঙানবা দিপোজিদ স্কিম কয়াগী মখাদা মীয়ামদা হায় রিটর্ন লাক্কনি হায়বগী থাজবা পীদুনা য়াম্লবা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম খোমগৎখি হায়না ই দিনা মরাল শীরি।

ই দিগী মায়কৈদগী অন্ত্রিত গ্রুপ ওফ কম্পেনিগী লৈরিবা দাইরেক্টরনচিংবা মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংগী প্রিমাইজেজশিংদা থিবা হুন্ধগী থবক চথবদা ফংখিবা দোকুমেন্ট কয়াশিং অদু ইনভেষ্টমেন্ট ফ্রোটকা মরী লৈনব্রা হায়বা অদুসু মখা তানা কুপ্না য়েংশিল্লি। অসিদা নৎতনা ই দিনা কম্পেনি অসিগী রেকোর্দশিংসু মখা তানা য়েংশিনবগী থবক চথখিগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ভারত টেক্সিনা ন্যু দিল্লিগী মেট্রো ষ্টেসন খুদিংদা ই–ওটো মায়পাক্না ওপরেট তৌরি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সি):
চহী অসিগী জনুৱারি থাদা হৌদোকখিবা ভারত টেক্সিনা ন্যু দিল্লিগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মেট্রো ষ্টেসন খুদিংমক্তা ই–ওটো ওপরেট তৌদুনা নুমিৎ খুদিংগী চাং চৎতা পেসেঞ্জর ৬০,১৯২ হেনবদা সার্ভিস পীরি।

দেল্লি মেট্রো রেল কোর্পোরেসনগী মায়কৈদগীসু সাইকল অমদি ই–বাইক কয়া মেট্রো ষ্টেসন কয়াদা সার্ভিস পীবা হৌখ্রে। দি এম আর সিগী মায়কৈদগী মেট্রো ষ্টেসন ১০ রোমদা ই–রিক্সোগী সার্ভিস পীদুনা মীয়ামদা কান্নবা ফংহল্লি ।

দি এম আর সিগী ওফিসিয়েলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা মিনিষ্ট্রি ওফ কোওপরেসনগী ইনিসিয়েটিব অমা ওইরিবা সাহাকার টেক্সি কোওপরেটিব লিমিটেদকা দি এম আর সিগা এম ও য়ু অমা খূৎয়েক পীনখ্রবা মতুং চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারি থাদগী হৌদুনা ভারত টেক্সি হায়না মিং থোন্দুনা মেট্রো ষ্টেসন ১০দা ই–রিক্সো সার্ভিস পীবা হৌরকখি। অদুবু ঙসিদি তপ্না তপ্না পাকথোক শন্দোরক্তুনা দিল্লিদা–এন সি আর নেটৱার্ককী লৈরিবা মেট্রো ষ্টেসন খুদিংমক্তা ভারত টেক্সিনা ই–রিক্সো কয়া মীয়ামদা সার্ভিস ফংহনবা ঙম্লে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ভারত টেক্সি হায়বা অসি ইন্দিয়াগী অহানবা কোওপরেটিবতা য়ূমফম ওইবা রাইদ–হায়লিং প্লেটফোর্মদা থবক তৌবা সার্ভিস অমনি।

দি এম আর সিনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা ই–রিক্সো থৌরিবা দ্রাইভরশিংবু ইকায়খুম্নবা পীবগা লোয়ননা জিরো কমিসন মোদেলগী মখাদা সিয়ার হোল্ডর ওইবগী খুদোঙচাবা পীদুনা টেক্সি তোংবগী অতোংমনগী শেনফম মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা দাইরেক ট্রান্সফর তৌদুনা কান্নবা কয়া ফংহল্লি হায়নসু দি এম আর সিগী মায়হকদগী মখা তারিক্ল।

# করপসন কেসকী মখাদা হান্নগী মিনিষ্টর বুক তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সি):
হান্নগী স্কুল ইজুকেসন মিনিষ্টর অনবিল মহেশ পোয়য়ামোজিবু শেঞ্জা থুমজা তৌবগী থবক চৈখে হায়বগী মরালদা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী মখাদা সেন্ট্রেল ক্রাইম ব্রান্স (সি সি বি)না কেস অমা ফাইল তৌদুনা বুক তৌখ্রে।

সি সি বিগী মতুং ইন্না অনবিল মহেশনা স্কুল ইজুকেসন মিনিষ্টরগী ফম পায়রিঙৈ গভর্ণমেটকী মায়কৈদগী মথৌতাবা এপ্রুভেল পীরগনি হায়না প্রাইভেট স্কুল কয়াদা থাজবা পীদুনা য়াম্লবা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম শেঞ্জা থুমজা চথখি হায়না মরাল শীরি।

# চেকশিন থৌরাংগী থবক কনখৎনবা খঙহনখ্রে

ধেরাদুন, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সি):
পাকিষ্টানদা বেজ তৌবা গেংষ্টর সেহেজাদ ভাতিনা সোসিয়েল মেদিয়াগী খূৎথাংদা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা তোঙান তোঙানবা ক্রিমিনেল এক্টিভিটি চথনবা থৌরং কয়া তৌরে হায়বা রিপোর্ট ফংবদগী উত্তরখন্দ পুলিসকী দি জি পি দিপম সেথনা ষ্টেট অসিগী ঙমখৈ পরিংদা ইন্টিলিজেন্টস অমদি সেক্যুরিটি এজেন্সি কয়াদা সর্ভিলেন্স ওপরেসন চথবগী থবক কনখৎনবা খঙহনখ্রে।


ধেরাদুনগী পুলিস হেদক্কার্টরদা দি জি পিনা চিয়ার লৌদুনা অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিটি রিভ্যু মিটিং পাঙথোক্লবা মতুং সর্ভিলেন্সকী থবক কনখৎনবা দি জি পি দিপম সেথনা মরীলৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখিবনি।

# 'এন্টি–পিপল ওইবা থৌওংনি'

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সি):
লাক্লিবা ওক্টোবর ১৫দগী হৌদুনা মীয়ান্না য়ু পি আইগী খূৎথাংদা লুপা ২,০০০দগী হেন্না ট্রান্সফর তৌবদা ০.৪গী শেনফম লৌরগনি হায়না লাউথোকখিবা অদুবু ওপোজিসন পার্টিনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খোঙথাং অসি 'এন্টি–পিপল' ওইবা খোঙথাংনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ওপোজিসন পার্টিগী মেম্বর কয়া য়াওনা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টরি পেনেলগী মীফমদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়ু পি আইগী খূৎথাংদা লুপা ২,০০০গী মথক্তা ট্রান্সফর তৌবদা চার্জ লৌরগনি হায়না লাউথোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক মীয়ামদা চাওনা চৈথেং পীরগনি হায়নসু ওপোজিসন পার্টিগী এম পি কয়ানা ফোঙদোকখি হায়রি।

## Crossword # 1146



Across
1. "Cities of the Interior" author Nin
6. Herring's cousin
10. Lean-to
14. Get up on
15. Weight allowance
16. Hatcher of "Desperate Housewives"
17. Popularly positioned
20. Hardly downsizing
21. Threatening words
22. German carmaker Karl
23. John Smith, John Doe, etc.
24. Federal repository
28. Noteworthy hotel signs
29. Old, in Oldenburg
30. Act the straggler
33. Beer alternatives
34. Mississippi feature
36. Diner's card
37. ___ diem rate
38. Get stuck in mud
39. Selects the dramatis personae
40. Public conveyance
43. Slander
46. Tiptop
47. Kind of dog
48. Badmouths
52. Latest fashions on the shelves
54. Suit to ___
55. Write up, as a speeder
56. Thomas Jefferson, for one
57. Attention getter
58. It needs room to grow
59. Maritime birds

Down
1. Islamic ruler (Var.)
2. "And then there were ___"
3. Novelist or poet, e.g. (Abbr.)
4. Represses
5. Sound systems
6. Piece of poetry
7. Reagan's secretary of state
8. Prince Valiant's son
9. Barren
10. Word with winning, losing or hitting
11. Shoe repair targets, sometimes
12. Delete
13. Ten to a buck
18. Wisc. neighbor
19. Threefold
23. Having the know-how
24. Low high tide
25. Toll unit
26. Ticket info, maybe
27. Washed up
30. More, philosophically speaking
31. Member of the opposition
32. Rush of wind
34. Feigns singing
35. One of five great ones
36. Gambit
38. Homer's wife
39. Voltaire novel
40. Have second thoughts
41. Prepared for feathering
42. Make like Leo
43. Songwriters' org.
44. Closes tightly
45. Cuts back
48. British museum
49. First born?
50. Otherwise
51. Concordes, e.g.
53. Haberdashery item

পাউখুম লমায় ৭দা ...


**CLOSING FUNCTION**
*of*
**WORKSHOP CUM PRODUCTION OF**
**"Leishem Jagoi"**
Under
Chief Minister gi Artists
Singi Tengbang (CMAT)
Date : 15th September, 2026
Venue : Chanura Odeum Khurai Chairenthong
*Organised by:*
**Development Alternative Manipur (DAM)**
*Sponsored by:*
**Department of Arts & Culture**
**Government of Manipur**



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, THOUBAL**

**NOTICE FOR OBJECTION**
*Thoubal, dated 'he, 7th August, 2026.*

No. Prop/SR/Tbl/2026: It is hereby notified for general information that an application has been received by this office from the proposed **"THOUBAL DISTRICT PENCAK SILAT ASSOCIATION"**, Tentha Heibung, P.O. Wangjing & P.S. Khongjom, Thoubal District on 06/08/2026 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of **Thoubal District** only.

In the matter, Notice for objection is circulated / noticed for information of general public/registered Society/Assn./Orgn. for submitting/inviting object if any in writing (AADHAR of the complainant or secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of proposed Society within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in **"THOUBAL DISTRICT PENCAK SILAT ASSOCIATION"**, may be initiated/considered/ proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection, receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered / entertained.

Sd/-
(W. Seitajit Singh)
Deputy Registrar of Societies, Thoubal

SL/Subas/17



In The Court of The Sub-Deputy Collector, Salam
*Ref. :- Mutation Case No. 242/SDC/IW(S) Dated 16/9/2026*

Akoijam Denkumar Singh S/O (L) Ak. Ibohal Singh of Sagolband Sayang . -Petitioner
-VS-
(Late) Loktongbam Yaima Singh S/O (L) Loktongbam Tomcha Singh of Maklang Mayai Leikai. -Opposition Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
*Salam, the 16th, September, 2026*

Under Section 46 (3) of MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃতু পট্টাদার Loktongbam Yaima Singh পীং মৃত Loktongbam Tomcha Singh সাং Maklang Mayai Leikai গী মীংদা লৈবা Salam তহশিলগী খুল নং 74-Maklang গী অরিবা পট্টা নং 212 অনৌবা দাগ নং 290 এরিয়া 0.28 একর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পিরিবা দংকারিসিনা মাগী মমিংদা ওনবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরি লৈনবা কনাগুমবনা আপ্তি তৌনিংলবদি অইবা চেগা লোইননা তৌবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপ্তি লৈতরে হাইনা লৌজরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, Salam, Imphal West

SL/Manoj/17



**Office of The Imphal Municipal Corporation**
ꯅꯣꯇꯤꯁ/নোটিশ
তাং ১৬–০৯–২০২৬

No. 4/19/2022/IMC/Rev/Notice- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Ngari (2) Laxmi Bazar, Shed No. 3, Seat No. --, Licence No. 210 শ্রীমতি Ngangbam (O) Tombi W/O Ng. Sanajaoba Meitei Langdum Mamang Leikai গী মিংদা পানবা Women Vendor/ Licence Holder অসি মশা লৈখিদ্রে। মরম অদুনা লৈখিদ্রবা Licence Holder/ Women Vender গী মচা মশুশিংনা, শ্রীমতি Brahmacharimayum Hemabati Devi W/O B. Bijen Sharma of Keibi Khullen Mayai Leikai গী Licence Holder/ Women Vender গী মিং ওনবিরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder/ Women Vender গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা Objection তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌজরোই অমদি Licence গী মিং ওনখ্রগনি।

**Sd/-**
Deputy Municipal Commissioner
Imphal Municipal Corporation

SL/Sus/17


সনা–সুদোকু–১০৮১গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 5 | 1 | 4 | 3 | 6 | 9 | 7 | 8 |
| 4 | 7 | 8 | 9 | 1 | 2 | 6 | 5 | 3 |
| 3 | 6 | 9 | 8 | 5 | 7 | 2 | 4 | 1 |
| 5 | 8 | 6 | 2 | 9 | 3 | 4 | 1 | 7 |
| 9 | 2 | 4 | 1 | 7 | 8 | 3 | 6 | 5 |
| 7 | 1 | 3 | 5 | 6 | 4 | 8 | 9 | 2 |
| 1 | 4 | 5 | 3 | 8 | 9 | 7 | 2 | 6 |
| 6 | 3 | 2 | 7 | 4 | 1 | 5 | 8 | 9 |
| 8 | 9 | 7 | 6 | 2 | 5 | 1 | 3 | 4 |


**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR KONTHOUJAM, IMPHAL WEST**
Ref. : Mutation Case No. 259/SDC/IW(K) of 2026

1) Oinam Raghumani Singh S/O (L) Lukhoi Singh of Sagoltongba Makha Leikai. (0.05 acre)
2) Oinam Saratchandra Singh S/O (L) Lukhoi Singh of Sagoltongba Makha Leikai. (0.25 acre)
3) -do- Jilla Singh S/O (L) -do- of -do- (0.05 acre)
4) -do- Seityapati Devi D/O (L) -do- of -do- (0.05 acre)
- Petitioners
-Vs-
(Late) Oinam Lukhoi Singh S/O (L) Pheijao Singh of Sagoltongba.
- O.P.Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Date 15/09/2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার Oinam Lukhoi Singh পীং মৃ: Pheijao Singh, সাং Sagoltongba গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নং 85-Lansonbi গী অনৌবা পট্টা নং 16 (N), দাগ নং 1231 অমসুং এরিয়ানা 0.40 acre চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমতগী আপ্তি লৈত্রে হাইনা লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector Konthoujam
Imphal West, Manipur

SL/Jeena/17

